# ‘খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা ৱাশক লৌমিন্নবা’

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

### উশম ধরমেন্দ্র

সিবু হৌনরিবরা হায়বা? হাকৎচবনা নঙ্গলদা হাকৎচরগা লামদুনা হোৎকেদি হায়দনা ইনক নকপা লাম্বদা ফংবা খুরাইদা হাকৎচবা মফমসু নত্তবদা নমদুনা ফুরি মচা অমা থুংই হায়দুনা খূৎ অনী চঙদুনা হোৎতুনা লৈবা, মসিগী থৌদৌনি মণিপুর লৈঙাক্না তৌরিবসি। চুড়াচান্দপুর মায়কৈদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা পাক শন্না পোপী পান্বী থাবদদি চঙদুনা মাঙহনবসু তৌদে অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকীদা করিগীদমক পোপি মাঙহনবগী থৌদোকসি মাঙহল্লবদি লোইনা মাঙহনগদবনি। ইপেন-পেন্দেদা মণিপুর লৈঙাক্কী পাঙ্গল থৌনাসি করিনো? কদাই ফাওবদা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী পাঙ্গল শক্তি উৎথোক্লিবগে, লৈবাক্কী আইন অমা লৈরি হায়বদু লমহেনবা মীওইশিংদা খঙহল্লিবগে। ইনক নক্না অৱাংলোমদা অৱাং সেকমাইদগী হেন্না লানবা ঙমদ্রে, খা নোংপোক্তা পল্লেলদগী হেন্দোকপা ৱারে, নোংচুপ্তা কৈথেলমানবীদগী লানশিনবা ঙমদ্রে। খা মায়কৈরোমদা মোইরাংদগী লানশিল্লুবদা লানফমগী লানফম ঙাক্তনি। ময়া য়াওদ্রবা পাঙ্গল লৈত্রবা জীব অমগুম্লে, মণিপুর লৈঙাকসি হায়না মীচম মীয়াম্না হায়নরিবসিদা কয়া য়াম্না লাল্লিবগে।

করিগীদমক্তা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা পোপী পান্বী থানীংলিবনো? শেঙ্গাউ তান্নবনি। পোপী পান্বীদগী শুংলকপা ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবদা শেন্দোং চাউনা ফংই। শেলবু পায়রবদি পূন্নমক য়ারে। হিংবদা মতিক ময়াই লৈনা হিংবা ঙম্লে। নাকল অমরোমদনা ময়াই কাবা দ্রগতুবু শীজিন্নরুবা মদু য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদ্রবা নহা কয়ানা তুংগী লৈবাক অমগী যূন্বী ওইগদৌরিবশিং ময়োলদা পান্বীনা কংশিল্লত্তুনা লেপকং লেপকং কংদুনা মাঙবগুম মাঙশিল্লকই। অদুননি মীওইবা ফূরুপ্পু নুংশিজবা মীতৈশিং অমসুং অতৈ ফূরুপশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাকপু শীজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লৈরক্লিবসি। নাকল অমরোমদা ইরমদমসিদা মশাগী কান্নবতা খনবা কুকি অমসুং মখোয়গা মান্নবা মচিল-মনাও ওইবা মরী-মতা ফূরুপশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবগী থবকসিদা খূৎচাউ থাদুনা ইরমদমসিগী নহা কয়া মরূ ফংনা মাঙহল্লক্লি। দ্রগকী করবারদুদগী ফংলকপা শেলশিংদুনা মদুবু লল্লোনবগী থবক তৌরিবা মখোয় কয়ানা নুংঙাইনা পূন্সি লেনবতা নত্তনা মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবা মখোয়না অনৌবা মখোয়গী মনীংতম্বা লৈবাক অমগী মঙ মঙলকই। মপাঙ্গল কল্লবা ফোরেনগী লৈবাকশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনরকই। অফবা মখলগী নোংমৈ অমদি লানগী খূৎশু-খূৎলায়শিং লৈশিল্লকই। মদুননি ঙসি মখোয়না মশোং ফল্লিবা। অদুগা ফজরবা টাইটল অমসু ফংলিবা ‘নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্ট’ হায়দুনা।

কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিং, দ্রগ লল্লোনবা কাঙবুশিং মখোয়না মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংদা নমদুনা লান্দাদুনা মীতৈশিং ঙসিদি কয়াদা ৱাহল্লবা। চীংয়া-তময়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী পূন্সি তংদু লৈতাদনা হিংলক্লিবা থাবুম তরেৎ শুজিল্লক্লে। অমরোমদা, মোরে, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা খুন্দারম্বশিংগী যূম কৈ তুম্না মৈ থাদোকপীদুনা লাঞ্জন্নরিবনি। লাঞ্জেন্নদবা কুকি খুলশিংগা পংলাপ লাপ্নদনা লৈরিবা মীতৈশিংনা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদ্রিবনি। মরমদি নার্কো-কুকি-জৌশিংনা নোংমৈ কাপনীংবা, বোম থাদনীংবা মফমদা মতমদা অদুমক নোংমৈ কাপ্পা, বোম থাদরকপগী থবকসি তৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা অৱাবা মপাউ ঙাক্তনি তারিবসি। কৈদৌঙৈ তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেলদু হঞ্জিল্লক্কনি হায়বসু তম্বা ঙমদ্রি। ইরমদমসিগী নহা কয়াসু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী লাংদা থুহন্দুনা মাঙহনবা, মদুদগী শৈদাংলবা মখোয়না য়েলহৌমী মীতৈশিংদা লান্দাদুনা খুন্তাক লানশিহনবা মসিদগী হেন্না শাউনীংবা, লমন খুম্নিংবা করি অমুক লৈখিগদগে মীতৈশিংগী মফমদা। মপা-মপুগী মরনসু নত্তবা মণিপুরসিদা মখোয়গী লমনি হায়দনা লন্বীগা শেমগৎতুনা চুড়াচান্দপুরদগী কাংপোকপী য়ৌবা মফম ফাওবা, মদুদা ষ্টেট লৈঙাক্না ফোর্স থাজিল্লকপা য়ারোই কাইনা অঙক-অঙকপা ঙাক্তনিনে হুরানবশিংসিনা তৌথোরকইসি। ইশম শম্না ষ্টেট লৈঙাক্না শোনমনবা, সেন্ট্রেল লৈঙাক্না কুম্মৈ য়েংনা লৈবসিদনি মখোয়না নার্কো টেররিষ্টশিংসিনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরক্লিবসি। মীতৈশিংদা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অমদা হিংলক্লিবসি।

মরৈবাক মরমদমদা রিফ্যুজি ওইনা হিংলিবা মীতৈশিংগী পুন্সি করম্বা মতমদা তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমদা পূন্সি লেল্লক্কনি তম্বা ঙমদনা অদুমক লৈরি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে মরমদি ষ্টেট লৈঙাক্না মতিং থোক্না থবক তৌদ্রি। মপূং ওইবা মফমদা তৌগদবা থবক তৌদবীদা মফৈদা য়ৈদুনা লৈরি। ইশম শম্বা খুদমদা মীতৈশিংবু নমদুনা তাম্হোকপীরক্লবা মফমদুদা লৈঙাক্না ফোর্স শীজিন্নদুনা খুন্দা লৈতাহনবগী থবক পায়খৎহনবা, যূম কৈ মৈ থাদোকপীখ্রবশিংগীনা মফমদুদা হান্নগুম যূম শাবীদুনা লৈহনবগী থৌদাং পাঙথোকপীবগী থবক তৌদে। মদুগী মহুৎতা ঈরাং লৈতে হায়বা লম্মাং-তুম্মাংদা লাঞ্জেন্নরবশিংগী যূম শাবীদুনা লৈহন্নবা হোৎনরি। অদুদি হান্নগী মীতৈশিংনা খুন্দাজরম্বা মফমশিংদু নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংদুদা সরেন্দর তৌরে হায়বনি। অমরোমদনা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টকী কাঙবুশিংদুনা মখোয়গী লমনি হায়দুনা মখোয়গী ফিরাল য়ুংশিল্লকপা, সাইন বোর্ড থেৎচিল্লকপা তাবনি। মশাগী মরমদমদা হঞ্জিনজগে হায়বদা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা লৈঙাকপশিংদুনা মদু শীনবীবা হায়বসিদি তৌফম থোকপা মথৌনি। মসিদি কাঙলূপ অমগী মীচং নত্তে। মদুদা ঈরাং থোরক্কনি হায়দুনা কিদুনা লৈরগদি লৈঙাক অমা লৈরুবগী করি কান্নরিবগে। লৈবাক অমগী লো এন্দ ওর্ডর থুগাইবশিংবু নীংথিনা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি ষ্টেট ফোর্স লৈরুবগী করি ৱাহম্হোক লৈরিবগে। মদুদগী হেন্দোক্তুনা সেন্ট্রেল ফোর্স ময়াম অমা থোমজিল্লক্লিবসিনা লৈবাকসিগী ঈরাং লাকশিনবদা করিবু মতেং পাংলিবগে। ষ্টেট লৈঙাক্কী মকোক থোংবনদি তত্তনা হায় মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসি ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা কূপ্না য়েংশিল্লি হায়দুনা। ঈরাং থোকপদা সুম কুম্মৈগুম্না য়েংদুনা লৈরিবরা? ঈরাং লোইশিন্নবদি হোৎনদবা মসিনি মীয়াম্না হংলিবসি।

নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈ খুলশিংদা তত্তনা নোংমৈ কাপথরক্লিবা মফমশিং অসিদগী পংলাপ লাপ্নদনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং লৈরিবনি। অদুবু কুকি জৌ মিলিটেন্টশিং অদুবু লাকশিনবা মখোয়না নোংমৈ কাপনীংবা মতমদা কাপ্লীবদু ইন্টরভিন তৌবগী থবক উদে। অদুনা লাক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসিনা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিং অসিদা শৌগৎপগী মওংদা উরি। অমুকসু অসুক কুইনা কুকি জৌ ফূরুপ্না তাল্লক্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগী মতাংদা নাখৈ শেংবা ৱাফম অমত্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থল্লক্ত্রি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগা মান্নবা মওংদা মমিং হোংদোক হোংজিন তৌদুনা কুকি জৌ ফূরুপ হুরানবশিংসিনা লেপ্তুনা তান্দুনা লাক্লি। অমুকসু কুকি জৌ হুরানবশিংসিনা তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন কায়দুদি মপূন্সিদা ফংলরোইদবা ৱাফমনি। মীতৈ হায়বা মণিপুরগী য়েলহৌ ফূরুপসিনা মালেমসিদগী খোঙ্গুল মূৎত্রিফাওবদি মণিপুর মচেৎ তাবা হায়বসিদি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। মদু খঙনা কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা চৎপা ফৈ। মখোয়গী খোঙথাং চুম্না থাঙদ্রবদি মীতৈশিংদা অসুমক খৎনবা হৌদুনতা লৈরবদি মণিপুরগী লৈমাইদগী মখোয়গী খোঙ্গুল মূৎপা নত্তনা অতৈ লৈতে।

কুকিশিংনা মণিপুরদা লাকখিবসি চহী ২০০ ফাদ্রি। যূমদাংবনা কৈনাই হায়বদুনি মখোয়না তৌরিবসি। মোরে হায়রিবা মফমসিদা মখোয়না তৌথোরক্লিবসি সুম খঞ্জিল্লুরবদি ওন্থোক্না খোইশাওনবা অমা হেন্না মীতৈশিংদা পোকহল্লি। অতৈ লমশিং মখোয়না লৌশিনখিবশিংদু তরাইবগী ৱাফম নত্তে। মোরে হায়বা মফমসি খা নোংপোক এসিয়াগা শম্নবা লল্লোন ইতিক্কী চাউরবা মরু ওইবা মফম অমা ওইরবনি হায়বগী আশাদনি মখোয়না অহানবদা নাগা ইচিল ইনাওশিংবু তকথোকখ্রিবা। নাগা ইচিল ইনাওশিং তাম্হোকখ্রবা মতুংদা মখোয়না লৈরম্বা যূম কৈশিং কুকিশিংনা মখোয়গী ওইহৌখি। মদুগী মতুংদা মীতৈশিংদা অমুক লান্দাদুনা মোরেদগী মীতৈশিং তাম্হোকখ্রবা মতুংদা মোরেসি পুরা মখোয়গী মখাদা থমদুনা লল্লোন ইতিক্কী খুদোংচাবা পূন্নমক মখোয়না পায়শিনগে হায়বগী থৌওংনি। কুকিশিংনা মদ্রাজি কাঙবুদদি চৎলোদি হায়দ্রগসু শেল চাউনা চাউনা দিমান্দ তৌশিন্দুনা মোরেদা লৈবা ঙমদনবা হোৎনরি। তশেংনমক্তি মোরে হায়রিবা খা নোংপোক থংবা লমদমদা লৈরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ সহর অসি মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অচেৎপা মরী লৈনরিবা মফমনি। মোরে লোমদগী খরা চঙশিল্লক্লগা লৈরিবা লীরবা মীতৈশিংনা চীংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ‘ক্বাথা খুল’ মীতৈ নিংথৌশিংগী কন থৌবা, মীতৈ মীয়ামগী মরৈবাক্কী নীংতম্ববু লূম্না লৌজবগী শক্তম উৎলিবা মফমনি। তরামঙাশুবা চহী চাদা মীতৈ নিংথৌনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্নবা খুন্দাহল্লম্বা মীতৈশিংগী খুলনি ক্বাথা খুল।

লোইশিল্লকপদা, দ্রগ করবার তৌরগা শেল পায়রকপা কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা মণিপুরগী নহাশিং দ্রগ লান্না শীজিন্নহন্দুনা মহাম তারবা পূন্সি মহিং অমদা হিংহনবগা লোয়ননা যূমদাংবা মখোয়না মণিপুরগী লম ফক্তোক্তুনা মখোয়গী মনীং তম্বা মরমদম শেম্নবা হোৎনরক্লে। মদুগীদমক্তা মীতৈদা লান্দাদুনা মীতৈশিং অৱা-অনা নংহল্লে। কুকি জৌ দ্রগ করবার তৌবশিংনা থোকহল্লকপা লান লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না মতিং লৈনা থবক তৌবা উদে। সেন্ট্রেল লৈঙাক্নসু অরোনবা এজেন্দা অমগী মরুমদা লানসিবু কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরি। মতাংসিদা মালেমসিদা লৈরিবা মীতৈ পূন্নমক কোক চুংশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা ইমা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম কায়দনবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা ৱাশক লৌমিন্নবা তাই। ●

# অদুঙৈগী খুঙ্গংদো

### - রানাপ্রতাপ যূম্নাম -

ঙসিদগী চহী ৭০/৮০গী মতম অদুগী শক্তমদুগী খুঙ্গং লৈশা পাখঙগী অমকপা অমত্তা য়াওদনা চেন্থখিবা নুংশি নুংওল কয়াদুগী ইনখৎলকপা নুপামচা-নুপীমচা কয়ানা মাগী-মাগী পলেম-পন্থৌশিংগী মফমদা কেজরকপা, ওইনজরকপা কয়ানি। নিঙোল ওইবী কয়ানা মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংগী মরুম থুপ্না অকি-তুজুং কয়াবু তুংওইনজরকপা কয়া অমা নিঙোল-পিবা অনীমক অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পলেম-পন্থৌ অনীগী মরুমদা নাওথি শাদুনা চাওনরকপা পূন্সিগী তাঙ্কক-তাঙ্ককনি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মচিল-মৌপ্বা, মচে-মবুং কয়াগী মরক্তা পুখম অমত্তদা অয়ূক্কী চারা ৱানমিন্নরকপা, শান্নমিন্নরকপা, চেন-চোংদুনা শুমাংদা, মাঙ্গোলদা, য়েন্নখাদা, যূমগী মনীংদা কেকু লোৎপী শান্নবা, নমিৎ উঁইশিল্লো হায়দুনা উঁইশিলহল্লগা চেল্লগা মফম-মফম চানা লোৎলবা মতুংদা কে-কু হায়দুনা লাউরগা লোৎনবা মমিৎ উঁইশিলহৌরিবা অদুনা কোয়থি থিদুনা ফংলগনা ফোং-ফা হায়দুনা নোকমিন্নবা কয়াদা নুঙাইবা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদো। পলেম-পন্থৌগী ইশ্বোল চাইগোইনুংদা মখল মখা কয়াগী মশান্না নুপা ওইবশিংনা কোক ফাইটিং, নুপীমচা ওইবশিংনা শেবোতি কাওনবা, নুপামচা চহী ১২/১৩শিংনা কিলা থুগাইবী শান্নবা, থোঙ্গালগী লম্পাক মচাদা য়াৎলগা থম্বা মফমদা অথালি-পথালি শান্নবা, পুংকক চাউবদগী চহী ১৭/১৮ শুবা মতমদনা খুলগী লম্মাং অচৌবদা মুক্না কাংজৈ শান্নবা, ৫-৫না শাবা ৬-৬না শাবা মশান্নবু শরিৎ-শরা হৈনবা হোৎনবা মমান-মমান্নবা লম্বা পাবদা মায়োক্নবা ঙম্নবা হোৎনবা কয়ানি। খরা শাগৈ চাউবা, শাদা লানদা লৈবাক্কী ওইবা থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকপা শাগৈ নাতৈশিংনা মচানুপা ওইবশিং ওজা নাইনা মুক্না, থাঙ-তাগী মহৈ অসি নুপা অমা ওইনা তঙাইমক ফদনা তমহল্লি। খুলগী ওইনা মুক্না কাংজৈ কুম্মৈ ওইনা পাঙথোকই, য়েংনৈ।

ইমা ইবেল কয়ানা চাকথোং শীংগী তারকপা মৈতাল লৌশিন্দুনা থল্লগা য়ারে কোন্নরগনি হায়বা মতমদা নুংশাদা ফৌদোক্লগা মপূং ফানা কংলবা মতমদা মচা মমৌশিংবু শুম্বলদা হাপ্লগা শুক্না শুদুনা পুরা য়াম তানা শুরবা মতুংদা ষষ্থি অনৌবা অদু ঈশিংদা নৈখায়রগা মৈতাল অশুবদুগা তোৎনরগা ফৌরাগী মনমদা, মবুক্তা মাগী মাগী চাওহন্নীংবা-পীকহন্নীংবা খূৎনা চাং পুদুনা তিকি শাদুনা ঈলনা কুপশিল্লগা নুংশাদা ফৌদুনা থম্মী। অদুগা কংলবা মতুংদা অমুক লৌশিল্লি। মচা নিঙোলশিংবু ইয়োংফি শাবা, মোম্পাক ফিদক অমদি ইন্নবা ঙাবোং, খুদৈ, মখল মখলগী মোইরাং ফিনা চনবা পূন্নমক মমা অমদি মনম্মা, মচে ওইবী কয়ানা নিঙোল ওইবী কয়াবু তাকপী-তম্বী। করিগুম্বা মতমদা মমা ওইবীশিংনা তাকপী তম্বীবা অদুদা থৌওই ৱাওইদবা য়াওরকপা মতমদা মমা ওইবীশিংনা চৈ থাংবা মতমদা ‘হয়েংনে চন্নজরোইকো হায়বীদে হায়নি, থুম পাই অমা লোইদ্রিঙৈদা হল্লকচনি’ হায়বসি মতমদুগী অহল-লমনশিংগী ৱাহৈনি। কয়াদা ফজখ্রবা ৱারক ৱাতেম্বদা শীজিন্নবা ৱাহৈ ৱাতানো।

মালেম অসিদা নিঙোল ওইরক-ওইরক্লগা কোন্না কোন্না মৌ ওইরকপনি, মৌ ওইরক্লবদি থৌ য়াল্লকই। মাগী ওইবা থৌদাং য়াম্না চাউই। পোলাংখোক মখা লিৎকনু, পাখঙবা ওক্নরবদি পোলাংখোক্তগী ফি লৌথবা নংদে হায়দুনা মচা নিঙোল ওইবীশিংবু মমা ওইবীনা কুপশেন শেন্নবীদুনা চায়োক নাওয়োকপীরকই। চাহৈদবা চাগনু, য়েংহৈদবা য়েংগনু হায়দুনা ইনখৎলকপী মচা নিঙোলশিংবু ৱারক ৱাতেমজৈ। নুপামচা ওইবা ষণজেন ষণঙাক ঙল্লবা কয়ানা অপোকপা মপাগী মতুং ইন্দুনা লৌবুক মায়কৈ পাংমিন্নদুনা কালেন লৌরাং শুমিন্নবা, চীংজিল লৌফাৎ তম্মিন্নবা, পোইনু খুদাপ খোমদুনা ইকু পৈবনা পৈবা, লৌয়ৈ ফক্তা থমদুনা সনা ফৌবু কৈ য়ৌনবা হোনবদা মতেং পাংদুনা মাগী মাগী থৌদাং লৌনবা মসি খুঙ্গংগী পূন্সিনি।

লৈশা পাখং ফারবা মতমদা শকখঙ মায়খঙনবা কয়া নুমিদাংৱাইরম মতমদা খুলগী পূখ্রি অচৌবদা কোয়কক্নবী শল্লাং লাইবক কুপনীং কুপমাং, চুবাদা তারকপা শাইদোন ককনা ৱাই-ৱাই, লুতুং তাবী শল্লাংনা নিংজোল কুপ্না তারকপা, পামজবা মচুগী ফনেক ফি শেৎহল্লগা থোরকপা মতমদা ময়াক কল্লুরবা কোরৌগী মৈশানা থোৎনা মেংনা ঙসি হায়বা নুমিৎসে ঐগী থৌদাং লোইরেদো হায়দুনা নোংচুপ থংবা চীংদোলদা মুনা-মুনা য়েংলকপা মতমদুগী মঙালনা কোইকক্নবী শল্লাংনা কুপ্লিবী নিঙোলগী মায়থোংদা য়ৈবদা ঙসাইদগী পূখ্রি মপালদা ঙাইদুনা লৈজরম্বা পাখঙনা উজবদা পেনজ খিবা থম্মোয়, নিঙোল ওইবী মহাক্না য়েংদশিন্না য়েংদুনা খুঞ্জা পাখঙ লমলানবা নকশিল্লকপদদি তৌদনা পূখ্রি মপান্দা লেপ্লিবা মিৎচিগী তেনজৈ তেন্দোং কাপনখিবা, ফোঙদোক্নদনা নুংশি মরী থমখিবা কয়ানি।

খুন্নাই অমা লৈরবদি অফবসু-ফত্তবসু, লায়রবসু-ইনাকখুনবসু, ফজবসু-অথীবসু, অকনবসু-অশোনবসু পূন্নমক শুনা লৈবা হায়বা অসিদি মহৌশানি। মীহৌ চাউবা কল্লক-খম্বল চাওবা মীনা চাগদৌবা ঐনা চাহৌগে, মীনা লৌগদবা ঐনা লৌহৌগে হায়বা মীসু মী মরক্তা য়াওদবা নত্তে। লায়র কোন্দা পোকপা কয়া অমনা নীংথম উলেন নংলবী, কালেন মৈশা মৈৱাইরবী, ইঙা নোংজু মায়োক্নরবী চনু কয়াগী লোইনাইদ্রবা ৱারীশিং নুপামচা, নুপা ওইনা পোক্নুরগা পিদোন্না হিংদুনা তকশি শোন খা-চিক অহাঙবা লম্মাংগী মচিদা করিগী পোক্লক্লিবনো অসুক তোন্না হায়দুনা মিৎলু ঈরা ঈহৌনা থম্মোয় খুদুম শুবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে তাইবঙ অসিদা। লায়রবীনা পোকপা লায়রবী য়েলাং-কোমপ্রেক, লোকলৈ-পুলৈ হেক্লগা চারা নোংদম্নবী, ঙাথী চাকথীনরিবী কয়াগী পূন্সি খঙবীনবা লৈত্রবা, তবীনবা য়াওদ্রবা কয়ানা চাবা মচেৎ, তূম্বা মচেৎ ফনা ওইদুনসু মতিং মথৌনা ফুদোক ইনখৎলক্লগনা লৈবাক মীয়ামগী মিংচৎ পুরক্লগা মনা-মথুম খামেন চৎপা লাম্হোকপা তম্রা-পত্র পীবিবা য়াওদবসু নত্তে। পোকপা নুমিৎ অদুদগী মাগী মিংচৎ পুরকখিবা নুমিৎ অদু ফাওবগী থেংনখিবা মায়োক্নখিবা অৱা নুংঙাই কয়াগীদি নোংমা ফাওবা য়েংলুদে, থিরুদে।

খুঙ্গংগী পূন্সি মহিং, পূন্সি মরেল কয়া অসি মহৌশাগী খূৎশেম অমদি অহাংবা মালংগী নামীবা নুংশিৎ, চীংয়া তময়াগী ফজবা উপাল কয়াগী ফজবা লমগী চেক্লা কয়ানা খুঙ্গং লান্না পাইথোক পাইশিন তৌবা, তোঙান তোঙানবা পাৎ কয়াদা থম্বাল অঙৌবা অঙাংবা কয়া শাৎলগা কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্মনা লাকপদা লৈশা পাখং কয়ানা থমচেৎ চাবা চৎমিন্নবা নুমিদাংগী মতমদা অহল লমন ইকোয় কোয়না য়েংলগা লৈশা পাখং লিকোন শান্নবা, মেরা থাগী ৱায়ুংবদগী ৱাফুকপা ফাওবা শুমাং হুরানবা হায়দুনা মীগী শুমাং চং চংদুনা পাখঙ ওইবশিংনা শংলগা লৈশা ওইবী কয়ানা ৱাই তৈবা , অনকপদা লৈবা জগনাথ, শ্রীকৃষ্ণ, চৈত্যন মহা প্রভু লাৎলিবা লাইশঙবু সেবা ওইরম্বা উখিবনি, য়েংখিবনি, খঙখিবনি।

মহৌশানা পোইনু থা পানখৎলকপদগীনা থানা মপূং ফাদুনা পুর্ণিমা মতুং মরি/মঙানি চোন্থবা ফাওবদা ফৌরেল লৌফম লোকপা লোইনরে। কনা-কনাগুম্বগী পাৎলৌ ওইবা তাওথবী থাবা কাঙবুনা খরা চোন্থরবসু মতম অমদা চংলৈ, কুম্বী, ফৌরেল ঙন্না মরূ থাখিবদি নিঙোল চাক্নৌবা নংনবা লোকপা য়াওনরিবনি। মপান লমগী ফৌ লাক্ত্রিঙৈদা তাওথবী ফৌগাক, শংশংবা, ফৌরেল, মোইরাং ফৌ, কুম্বী চংলৈ, অওজুরি ইরোইয়া মসিদগী চীংফৌ হায়দুনা মীতৈ লৈবাক্কী মরু ওইবা ফৌনি। খুঙ্গংগী উপাল অচৌবদা মকোল শাদুনা চাদা নাওদা তারম্বা উমাইবী, ক্বাক তোংলখিদ্রে। মরিং ইচিল ইনাওশিংনা পুংবা-পুংবা লাক্লগা যূমথোঙ খুদিং য়োনবা লাক্লম্বা থুমোক লাইতং, লিখাই, শংবাই, তাইরু উতোং, চেনজামমুক, মেরুক নুংশিদা হে মতম কৌবী লাইরেম্বী নঙগী ঈচেলদি কনানসু খাম্বা ঙম্লোইয়ে, অদুবুনে খুঙ্গংগী পূন্সিদুদি থম্মোয়দা মমি কোকত্রিয়ে। ●

# চাদা ৩৩গী বিল পাস তৌরকপা ‘নুপী মরুপ অমসুং নুপী মীয়ামগী হোৎনজমন মায় পাকপনি’ -(২)

### - থিংবাইজম নিঙোল মাইস্নাম ওংবী শখি -

শ্রীমনমোহন সিংহগী যু পি এ লৈঙাক লৈরক্লে। মতম থৈদোক্নবা গীতাগী বীলদু শেমদোক-শাদোক্লগনি হায়দুনা তৌশিন্নদুনা লৈখি। যু পি এদা শৌগৎলিবা লেফ্ট পার্টিশিংনা অশাউবগী মৈগা লোয়ননা যু পি এ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিদা ইন ফাইটিং চথখি।

মরম চাদনা য়েৎপা কয়ামরুম লৈদুনসু ষ্টেট লেভেলদা, নেসনল লেভেলদা অমদি ইন্টরনেসনল লেভেলদা তকশিনবা লেপ্তবনা নোংমদি শোয়দনা মঙফাওনবা শোয়দ্রবনি। নেসনল লেভেলদা এন এফ আই দব্লিয়ু খক্তা নত্তনা এ আই দি দব্লিয়ু এ, এম দি এস, সী এফ দব্লিয়ু দি এস, এ আই দব্লিয়ু সী, জে দব্লিয়ু পিনচিংবা ওর্গনাইজেসনশিংনা মুভমেন্ট কয়াগী থৌরাং চথখি।

**২০০৬কী নুপীশিংনা পাঙথোকপা মহাধরনা :** নুপী লিশীং ৬না পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা নুমিৎ ১৭নি চূপ্না ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা নুপীশিংগী খ্বাইদগী অচৌবা ধরনা অমা কুমজা ২০০৬কী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোকখি। কিলোমিটর লিশীং কয়া লাপ্না লৈরিবা মণিপুরদগীসু নুপী ১১৪না শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী শক্নাইরবী নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী হান্নগী চ্যেরপর্সন শ্রীমতি মোহিনিগীরি, শক্নাইরবী নিরমলা দেশ পান্দে, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ভি পি সিংহ, হান্নগী কেন্দ্রগী মিনিষ্টর মারগরেট আলভা, সোসল এক্টিভিষ্ট মেধা পাটকর, দেল্লীগী মেদিকেল মিনিষ্টর কীরন ৱালিয়া, এন এফ আই দব্লিয়ুগী লুচিংবী প্রেমিলা লুম্বা, হমিলা হবীবুলা, মায়া চৌধুরি, মসিগী প্রসিদেন্ট ডা. সরদারমনি, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট গারগী চক্রেবতি, সেক্রেটরি কৃষ্ণ মজুমদারনচিংবা পনবা য়াই। মণিপুরদগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইবেনি, ভাইস প্রসিদেন্ট এম শখি, জেনরেল সেক্রেটরি এস সোরোজিনি য়াওখি। মপূংদা এন এফ আই দব্লিয়ুনা শিঞ্জরবসু অতোপ্পা নুপীগী নেসনল থাক্কী লূপশিং আইদৱা, জে দব্লিয়ু পি, সী দব্লিয়ু দি এস, ৱাই দব্লিয়ু সী এ অমদি এপৱাগী লুচিংবীশিংসু শরুক য়াখি। কম্যুনিষ্ট লুচিংবা এ বি বরধন, গুরুদাশ দাশগুপ্ত, দি রাজা অমদি অমরজিৎ কোরনচিংবসু শরুক য়াখি। নুংঙাইরিবা ৱাফম অমদি দি এম কেগী দয়ানিধী মরান, এন সী পিগী ত্রিপাথীনচিংবসু শরুক য়াবা অসিনি। মহৈরোয়গী লূপ এ আই এস এফ, বেঙ্ককী লূপ এ আই বি ঈ এ অমদি ইন্সুরেন্স য়ুনিয়ন্নচিংবসু শরুক য়াখি। কুমজা ২০০৬ অসি লেপ্পা লৈতনা দেল্লীদা ঈহৌ চথদুনা লৈখিবগী ফলনা লৈঙাক্কী মনুংদা অকনবা নৈনবা হৌরকখি। অদুবু ঈহৌ নেমথখিবা ঙাইবগুম থোকখি। অসুম্না কুমজা ২০০৭সু হৌখিরম্মী।

**মখা তাবা খোঙজংশিং :** কুমজা ২০০৭ অমসুং ২০০৮দা লৈঙাক্তা তকশিনবদি লেপ্পা লৈখিদে। খূৎয়েক লিশীং কয়া থাজিনবতা নত্তনা ষ্টেট খুদিংদা অন্দলোন চথবা তোক্লমদে। ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টোদা হাপ্তুনা ৱাশকখিবদগী লৈবা য়াদ্রবদা হান্নগী পাস তৌখিদ্রিবা বীল অদু অমুক হন্না মে ৬, ২০০৮দা রাজ্য সভাদা পুথোক্লক্লম্মী। অয়েৎপা কাঙবুদুনা য়ানীংদবগী খোল্লাউ মরক্তা বীলদুবু ‘পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন পি পি জি এন্দ লো এন্দ জষ্টিসতা রিফর তৌখিরম্মী। ষ্টেন্দিং কম্মিটি অদুগী থোঙজিন্দা অহানবা লেপখিবদি এন এফ আই দব্লিয়ুনা ওইখি। মসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অনী রাজানা মেমোরেন্দম অমসু পীশিল্লম্মী।

কুমজা ২০০৯দদি নুপী মীয়ামগী দাবীবু থৌওইদ্রে হায়বা ৱাখলদা মখোয়গী শক্তি উৎপা হৌরকখি, ষ্টেট হেদ ক্বার্টরশিংদগী রেল্লি চৎলদুনা পোষ্ট কার্দ লিশীং কয়া অমুক্সু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, স্পিকর মিরা কুমার, প্রাইম মিনিষ্টরদা মাগী-মাগী ষ্টেটকী কোনুংদগী নুপীশিংনা খূৎয়েক পীরদুনা থাখিরম্মী। লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদসু পোষ্ট কার্দ লিশীং কয়া নুপী মরুপ্না থাজিনখি। কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু দিসেম্বর ৯, ১৯৯৬তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা পুথোকখি। অদুবু লাইবক থীবনা নুপা মেম্বর কয়ানা য়েৎশিল্লকপদগী দিসেম্বর ২০দা লোইখিবা পার্লিয়ামেন্টতা খন্নদুনা পাস তৌবগী ৱা লৈখিদে। লেপ্পা লৈতবা নুপীশিংগী খোল্লাউনা বিল অদুবু মথং-মথং খন্নবগীদমক সেলেক্ট কম্মিটি অমদা অমুক থাদখিরম্মী অমসুং খরমখৈ শেমদোক-শাদোক্তুনা রিপোর্ট অমা লানখৎনবা শেম শারক্লম্মী।

চাদা ৩৩ নুপীশিংগীদমক ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অমদি এসেমব্লিশিংদা সিট খাক্তুনা থম্নবগী মতাংদা নেসনল লেভেলদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাউবা নুপীগী লূপ এন এফ আই দব্লিয়ুগী লমজিং মখাদা ঐখোয়না অন্দলোন কয়ারক হন্না পাঙথোকখি। মদুগী মহয়না ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেনা চহী ১০০ শুরকপা কুমজা ২০১০গী মার্চ ৯দা রাজ্য সভাদা ‘ৱিমেন রিজার্ভেসন বিল’ পুথোক্তুনা পাস তৌখ্রে। লো মিনিষ্টরনা পুথোকখিবা ঐতিহাসিক ওইরবা বিল অসি ভোট লৌনবদা মেম্বর ২৩৩ লৈবা রাজ্য সভাদা মেম্বর ১৮৬না শৌগৎখি। অদুবু লোক সভাদদি পাস তৌবা ঙমখিদবনি। লোক সভাদদি ঙসি ফাওবা বিল অসি মখা তানা পুথোক্তুনা পাস তৌদনা লাকখি। মরম অদুনা ঐখোয় পূন্নমক্না মখা তানা লেপ্পা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২২ ফাওবদা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা লেপখিদে।

বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা অমুক হন্না পুথোক্নবা হোৎনরগা নুপী ভোটর মশীং হেন্না ফংগনি খঙবদগী কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিদা লৈঙাক শক্তি শীন্নরবদি ৱিমেন্স রিজার্ভেসন বিল পাস তৌগনি হায়না থাজবা পীখ্রগা চহী ৯ হেল্লক্নবা ফাওবা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরক্তবগী মায়োক্তা এন এফ আই দব্লিয়ুনা সুপ্রিম কোর্টতা রিট পিটিসন অমা থাঙ্গৎলকপদগী জষ্টিস সঞ্জিব খানানা লুচিংবা বেঞ্চনা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী সেপ্টেম্বর ৫দা খন্নরবা তুংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মত পীখৎলক্নবা অমদি বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তবগী মরমশিং ওক্টোবর ১১দা চত্থগদবা হিয়ারিং মমাঙদা খঙহল্লক্নবা নোটিস ইস্যু তৌখিবদগী এন এফ আই দব্লিয়ু অমসুং ওল মণিপুর নুপী মরুপ্না পার্লিয়ামেন্টকী স্পেসল সেসনসিদা ৱিমেন্স রিজার্ভেসন বিল পাস তৌনবা দাবী তৌখিবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্নাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।